ফুদ লাইসেন্স / রেজিষ্ট্রেসন ওন লাইনদা য়াগনি

তমেংলোং, আগষ্ট ৩১ ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ফুদ ব্যুজিনেস ওপরেটর (এফ বি ও)শিংনা ওন লাইন সার্ভিসতা ফুদ লাইসেন্স / রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেজিগনেটেদ ওফিসার ইন চার্জ টি ব্রোজেন্দ্রো খাবা মৈতৈনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

ষ্টেট ফুদ সেফটি কম্মিস্নারনা চৎলিবা থা অসিগী ২৪দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না থবক অসি ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ এক্ট ২০০৬ অমদি রুলস এন্দ রিগুলেসন ২০১১গী প্রোভিজন মখাদা লৌখৎলকপনি।

ফুদ লাইসেন্স অমদি রেজিষ্ট্রেসনগীদমক মেন্যুয়েল এপ্লিকেসন লৌররোই ব্রেব সাইটকী ওন লাইন সার্ভিসতা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

প্রি-পি ঐচ দি এদমিসনগী মতম শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩১ ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা প্রি-পি ঐচ দি এদমিসনগী এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌবা অমসুং পীশিনবগী মতম সেপ্টেম্বর ৮ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না জোইন্ট রেজিষ্টার দেবিদ কে জৌতেনা ঙসি নোটিস অমা থোক্কুনা খঙহনখ্রে।

রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম পীশিনবগী মতম শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩১ ঃ একাদেমিক সেসন ২০১৭-১৮কী ক্লাস ১১গী মপুং ফাবা রেজিষ্ট্রেসন এপ্লিকেসন ফোর্ম অমসুং ইনরোলটমেন্ট লিষ্ট অমসুং ক্লাস ১২কী ইনরোল্টমেন্ট লিষ্ট দরাকর ওইবা ফি অমসুং দোক্যুমেন্টকা লোয়ননা পীশিনবগী মতম মথং শীৎনা সেপ্টেম্বর ১৫ অমসুং ২০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী মখাদা লৈবা +২ কোর্স লৈবা কলেজ অমসুং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপালশিংদা খঙহনখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঙসি কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরী ডাঃ মৈস্নাম বিদ্যাসাগরনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

ই এফ এসকী চহীগী থৌরম পাংথোকখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ৩১ ঃ থৌবাল নিঙোম্বমদা লৈবা ইভরগ্রিন ফ্লাৱার্স স্কুল (ই এফ এস)কী ৩২শুবা চহীগী ফেলিসিটেসন থৌরম ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাংখৈ কেন্দ্রগী এম এল এ হেনরি ওক্রম, খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এসুরজকুমার ওক্রম অমসুং জেদ ই ও জোন ৩ থৌবাল সনাসম মঙ্গি সিংহনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইখি।

স্কুল অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা অফবা মহৈরোইশিংদা খুদোলপোৎ অমসুং সাইটেসন পীদুনা ইকায় খুম্নখি অদুগা লেটর মার্ক ফংবা মহৈরোইশিং তাকপিখিবা ওজাশিংসু পুক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

[illegible]

“মনোরমা ইয়ার বুক, ২০১৭” মণিপুরদা থিংনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই ঃ উকল

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩১ ঃ “মনোরমা ইয়ার বুক, ২০১৭”গী লমায় ৮৮৫দা রাস লীলা জগোইগী মতাংদা পল্লিবা ৱাফম কয়া অদু খুন্নাই অমগী পুৱারিবু শেমজিন শাজিন্দুনা চমম্নহল্লগা মালেমগী মীয়ামদা লান্না উহন্দুনা খোঙ্গুল মুখৎনবা হোৎনরিবা থৌওং তরাইনা লৌদে হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না অকনবা ৱাফম থমখ্রবা মতুংদা হায়রিবা মামমেন মেথিমুনা চীফ এডিটর ওইদুনা পুথোক্লিবা মনোরামা ইয়ার বুক মণিপুরদা মতম পুম্বগী ওইনা য়োনবা থিংনবা অকনবা ফিরেপ অথুবা মতমদা লৌরবা য়াই হায়না উমং লাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল)না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরী এম জিলাঙম্বনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, “মনোরমা ইয়ার বুক, ২০১৭” এডিসনদা ইন্দিয়াগী জগোইশিং হায়দুনা জগোই মখল কয়াগী মরমদা ইরি। মসিগী মনুংদা মালেমগী মীয়াম্মা কল্লক্করিবা মণিপুরী জগোইগী মরমদসু নৈনরি। লাইবক থিবদি রাধা কৃষ্ণনা শান্নখিবা রাস লীলাবু পামজদুনা শিবা অমসুং পারবতি অনীনা অমুক হন্না মণিপুরদা লীলা অসি শান্নখি। মদুদগী চহীচা কয়াগী মতুংদা নিংথৌ লোয়ুম্বগী মতমদা খুমন খম্বা অমদি মোইরাং থোইবীনা হায়রিবা রাস জগোই অসি শান্নখি। লোয়ননা জগোই অসিদগী মৈতৈগী লাই হরাওবা হায়বা লাইথৌ অসি ওইরকখিবনি হায়না লমায় ৮৮৫দা ইরিবা অসি পুমলান লাল্লবনি।

ইয়ারবুক অসিগী চীফ এডিটর অমদি এডিটরনা করি করম্বা লাইরিক নৈনরগা নৎত্রগা শুকখঙ খঙদবা কনাদগী লৌরগা অশুক লানবা ৱারোলশিং অসি ফোংলিবনো হায়বসিগী ময়েক শেংবা পাউখুম পীগদবনি। থাক ৱাংলবা মণিপুরী জগোইশিং অসিদি মালায়ালমগী পংশেম শেমজিনবা, পংতৌ তৌশিনবা অদুগুম্বা নত্তে। ইশাগী লমদগী লৈশেমলোনদগী থোরকপনি। শিব দুর্গা, রাধা কৃষ্ণ পোক্ত্রিঙৈদগী মণিপুর লাই হরাওবগী জগোই থোরকখ্রে।

মণিপুরী জগোই মখল খুদিংমক্কী হৌরকফমসু লাই হরাওবনা ওইরি। অসিদসু নত্তনা লৈশেমলোনগা লোয়ননা লোন, ময়েক, লাইনিং, পুৱারি, চৎনবী, ফিজেৎ লৈতেং চপ চানা লৈজবা মণিপুরীশিংনা লাই হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা ফুরুপ অমগী জগোই হৌরকফমবু রাধা কৃষ্ণ শিব দুর্গাদগীনি হায়না মশক নাইবা লাইরিক অমদা ইশিনবা হায়বসি ৱাখল শোইয়োম্বগী মতৌ অদু উখোকপনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মনোরামা ইয়ারবুকতা মণিপুর জগোইগী মরমদা ইরিবা ৱাফম অসি কনাদগী কদায়দগী রিফরেন্স লৌবনো হায়বদু শেংদোকপগা লোয়ননা অরানবা ৱাফম খুদিংমক লাইরিক অসিদগী লৌথোক্কদবনি। লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা অরানবা লাইরিক অসি অমুক হন্না খোমগৎতুনা চুমথোক্কদবনি। নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা ইয়ারবুক অসিগী ওথোরিটিনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎত্রবদি হায়রিবা লাইরিক অসি মতম চুপ্পগী ওইনা মণিপুরদা থিংলবা য়াই লোয়ননা আইনগী থোংদা করি তৌগদগে হায়বসু খন্নগনি।

লোয়ননা লাইরিক অসিগী এজেন্টশিংনসু ইয়ার বুক অসি মণিপুরদা পুশিল্লক্তনবসু খঙহল্লি।

এন ই আর সি ও আর এম পি চান্দেল ওফিস থিংজিল্লগনি

চান্দেল, আগষ্ট ৩১ ঃ পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা লাইরবা খুঞ্জাশিংগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসিদা ২০১৪দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লিংখৎখিবা নোর্থ ইষ্টর্ন কম্যুনিটি রিছোর্স মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট (এন ই আর সি ও আর এম পি) গী ওফিস সেপ্টেম্বর ৪গী নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা থিংজিল্লগনি হায়না লাউথোরক্লি।

কুকি চীফস এসোসিয়েসন (কে সি এ) চান্দেল / টেংনৌপলগী প্রসিদেন্ট সোখোমাং হাউকিপ অমসুং কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) চান্দেল / টেংনৌপলগী প্রসিদেন্ট দৌখোমাং হাউকিপনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, প্রোজেক্ট অসি মোরে, খেনজোই অমসুং চকপিকারোং ব্লোক্তগা পায়খৎলম্বদগী চান্দেল ব্লোক কোনশিন্দুনা লাইরবা ইমুংগী মীওইচা কয়া খুদোংচাবা ফংহল্লিবনি। অদুবু হন্দক্তা অনৌবা প্রোজেক্ট মেনেজর অমা লাকপদগীদি কম্যুনেল গেম তৌদুনা লাইরবা কুকি খুঞ্জাশিংগী সেন্টিমেন্ট শোকপা থবক কয়া তৌরক্লে।

প্রোজেক্ট অসিগী পৈশা ওইনা এন জি ও ১১ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈ। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ৬না নাগানা লুচিংই অদুগা এন জি ও ৫না কুকিনা লুচিংবনি। হন্দক্তা মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট অসিগী মোনিটরিং টিম অমনা খনগৎলবা কুকিনা দোমিনেট তৌবা এরিয়াদা য়েংশিনবগা লোয়ননা মীচং মীখাই নাইবা মওংদা কুকিনা লুচিংবা এন জি ওশিংবু পার্টনর্সিপতগী লৌথোক্লবা অমসুং কুকি ভিলেজ কয়া ব্লেক লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

মদুগী মরমসু অমত্তা পীখিদে। মসিদসু নত্তনা কুকি মীয়াম অমসুং চীফশিংদা তাবা নুংঙাইতবা ৱাহৈ ৱাতা কয়াসু মোনিটরিং টিম অদুনা ফোঙদোক্লম্বসু লৈখ্রে। ফিভম অসিদা কুকি এপেক্স বোদি অনীনা মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা দরকারগী মতুং ইন্না অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্কবা হোৎনবীয়ু হায়না অপিল তৌবগা লোয়ননা য়ান্নবা অসি পুরক্ত্রিবা ফাওবা সেপ্টেম্বর ৪দগী প্রোজেক্ট অসিগী ওফিস থিংজিনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইদ-উল-জুহাগী পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩১ ঃ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম ধর্ম্মগী খ্বাইদগী চাওবা থৌরম ওইরিবা ইদ-উল-জুহা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামদা মরু ওইনা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)গী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপ এম এল এনা মীয়ামদা থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়, শেংলবা থৌরম অসিগা ইরোইননা চীং-তম অনীদা শান্তি লৈবা তংদু লৈতানা ইংনা চীক্লা লৈবা, হেন্না চাউখৎপা, হাৎনা শুনবা য়াওদবা, নুংশি চান্নবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইরসনু।

এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট অমসুং দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা গাইখাঙম এম এল এনসু মণিপুরদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মুসলমান ইচিল-ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা জাতি কাংলুপ খুদিংমক অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা, শান্তি লৈবা ষ্টেট অমা ওইরসনু হায়না মীয়ামদা পাউজেল পীরি। পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরী ডা ঃ এম নর সিংহনা পীবা পাউজেলদা হায়, মালেমসিদা লৈরিবা মুসলমান ইচিল-ইনাও পুম্নমক্না চহী খুদিংগী পাঙথোকপা নুংঙাইরবা কুম্মৈ ইদুল-অজহা নুমিৎ অসিদা ইদিগহাদা নৎত্রগা মসজিদতা নমাস শোল্লবা মতুং অমগা অমগা খুৎপায়-লংপাইনদুনা নুংশিবগী পাউজেল পীনবা, চামিন থকমিন্নবা নুংঙাইরবা, কুরবানি তৌবা মীশিংনা কুরবানি তৌদুনা লৈকাইদা লৈবা মরী মতাশিংদা য়েন্থোক্তুনা পাঙথোকপা কুম্মৈনি।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাংলুপ খুদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরি। পার্টি অসিগী মাইনোরিটি সেল চেয়ারমেন এম দি অল্লাউদ্দিননা থাদোরকপা পাউজেল চেরোলদা হায়, অদুঙৈ হজরত ইব্রাহিমদা অল্লাহনা কুরবানি তৌ হায়না মমঙদা কয়ারক হন্না হায়বদা ডট, য়াও, হামেং কয়া কুরবানি তৌখি। অদুবু অল্লাহ মপুনা য়াবিদ্রবদা মপুদা অমুক হঙ্গৎনা হায়জবগা লোয়ননা সংস্‌ারসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিবা পোৎশক অমা কুরবানি তৌ হায়না য়াথং পীখি। মদুগী মতুং ইন্না মচানুপা ইসমাইলবু কুরবানি তৌনবা শেম শারকপদা অল্লাহনা পেনবীরদুনা য়াও অমা মহুৎ শীন্দুনা কুরবানি তৌখিবা নুমিৎ অদু চহী খুদিংগী ইদুল-অজাহ হায়না পাঙথোক্লিনি।

থৌবাল নুপী কৈথেলদা ইরাং থোকখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ৩১ ঃ থৌবাল কৈথেল মনুংদা নৌনা পোৎফম শাজিল্লকপা য়ারোই হায়না কৈথেল ফম্বী ইমাশিং ইরাং হৌরকপদগী ঙাইহাক কৈথেল কায়রুরে। পাউ অসিনা হায়, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অনৌবা পোৎফম ৫৮ শানবা থৌরাং পায়খৎলকপদা কৈথেল ইমাশিংনা নৌনা শাগদৌরিবা পোৎফম অদু কৈথেল অসিগী অকোইবদা শাবীয়ু, ময়াই চবুক্তা শাবিগনু হায়বদগী মায়কৈ অনীগী মরক্তা য়েৎনদুনা লাকখিবনি।

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীওইশিংনা ময়াই চবুক কৈথেল লাইরেম্বী মনাক্তা নুমিৎ নিনিরোম অসি শঙ শাজিনবা হৌরকপদগী ঙসি ইরাং অদু থোকখিবনি। ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা অদুৱাইদা কৈথেল ইমাশিংনা নৌনা শাগৎলিবা পোৎফমশঙ অদু থুগাইখি অমদি অপুনবা মীফম অমসুং পাঙথোকখি।

খঙহৌনা থোরকপা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা পোৎ লৈবা লাকপা মীওই কয়া কোইচেন চেন্নখ্রে। থৌবাল পুলিসকী ও সি রিশিকেস শর্ম্মা অমসুং কম্মান্দো থৌবালগী ও সি সমানন্দনা লুচিংবা টিম অমা মফম অদুদা চংশিন্দুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা হোৎনখি। লোয়ননা নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপা অদুৱাইদগী মহৌশাগুম কৈথেল ফম্বা অমুক হৌনখি হায়রি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা হৈ-পা শারুবা নহা অমা লাল্লে হায়জখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ৩১ ঃ এস দি ও থৌবাল অয়ুক্কী পুং ১১.৫৮ ফাওবা ওফিস কারক্ত্রে হায়না সোসিয়েল মেদিয়া ফেস বুকতা অপলোদ তৌরুবা হৈরোক পার্ট-টু থোকচোম লৈকাইদগী থোকচোম ভিক্তর (২১)না মহাক্লা অপলোদ তৌরুবা অদু লাল্লে। মতুংদা অমুক তৌজররোই হায়না এস সি ও থৌবালদা ঙাকপীনবা হায়জখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা থোকচোম ভিক্তর অপোকপা ব্রোজেননা দি সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লাক্লগা ও বি সি সার্টিফিকেট লৌনবগী এস দি ও থৌবালগী সহি তৌনবা হায়জবা চৎপদা মফম অদুৱাইদা লৈরম্বা মীওই অমনা লৈতে হায়রকপদগী মপানদা ঙাইরিবা মহৈরোইশিংগী ফোটো লৌরগা এস দি ও ওফিসতা লাক্ত্রি হায়না নিংকুথোক হায়বা ফেসবুক প্রোফাইলদগী ফেসবুক গ্রুপ ইরমদমগী মপাউদা অপলোদ তৌরুবনি।

মতম অদুদা এস দি ও থৌবালদি পঞ্চায়েট ইলেক্সনগা মরী লৈননা থবক শুদুনা লৈখিবনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা অপলোদ তৌরকখিবা অদুগী মতুং ইন্না মীওই কয়ানা পীরকপা মৎতা এস দি ও থৌবালগী মীংচৎ শোকপা ৱাফম কয়া অমা য়াওরকপদগী পুলিসতা ৱাকৎখি। ঙসি থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি রিশিকেস শর্ম্মনা লুচিংবা টিম অমনা থিজিল্লবা মতুংদা ফেসবুকতা থাগৎলকখিবা অদু থোকচোম ভিক্তরনি হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। মহাকপু পুলিসনা লৌখৎলগা এস দি ও থৌবাল ডাঃ এম ভিটোগী ওফিসতা পুরকখি। মদুদা মশানা লাল্লে মতুংদা অমুক তৌজরোই হায়না ঙাকপীনবা হায়বদগী মদুদা অয়াবা পীদুনা থাদোকখ্রে হায়রি।

দেসামগী খোঙজংদা শরুক য়াগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩১ ঃ মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৯দা দেসামগী প্রসিদেন্ট য়াওনা থৌমী ৫ পুলিসনা ফারগা কষ্টদিদা ফু-চৈখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা থিজিনখিবগী রিপোর্ট ঙসি ফাওবা পুথোক্তনা নমশিন্দুনা থল্লিবা অসিগী মায়োক্তা দেসামনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক ইম্ফাল কলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিনা থোকপা চেরোলনা হায়, থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা ইনক্বারিগী রিপোর্ট ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লগা মরাল লৈবশিং কনখৎপা হায়বসি য়াম্না হকচিন্না লৌই।

ঙসিগী রাষি ফল (১-০৯-২০১৭)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ মৎ খেৎনবা, শাওনবা, শেল চৎপা, কোক শাবা মতমনি। হোৎনবদি য়াগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। চরাংনগনি। নক্ষত্র ১, ২ ফগনি, ৩ চাংদা লৈ।

বৃষঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা, ঐগী মী মশিং হেনগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতমনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

মিথুনঃ চেকশিন্না হোৎনরবদি অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চখোক চৎশিনদা হৈশিংউ। ইমুংদা লাংগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ ফগনি।

কর্কটঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতমনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭, ৮, ৯ অফবনি।

সিংহঃ শাওদবা ফগনি। শোক্কনবা, খৎনবা মতমনি। শেল ফংবা চৎপা মতমনি। চরাংনগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ অফবনি।

কন্যাঃ তপথবা তাবনি, অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবীবা, শান্তি লৈবা ওই। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ঐগী মী মশিং হেনগৎপা, অচৌবশিংনা চানবীবা মতমনি। নক্ষত্র ১৪, ১৫ , ১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। মরুপ মফম ফগৎলগনি। চরাংনগনি। নক্ষত্র ১৬, ১৭, ১৮ ফগনি।

ধনুঃ শোক্তনবা চেকশিল্লু, মরুপ মফম চাওখৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াবা, শেল ফংবা চৎপা মান্নবা ওই। খরা লাংগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

মকরঃ শেল চৎপা, কল্লকপা য়াম্বা, মীনা য়েংশিনবা মতমনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ ফগনি।

কুম্ভঃ খুদোংচাবা থেংনবা, চাওখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা ওই। নক্ষত্র ২৩, ২৪, ২৫ অফবনি।

মীনঃ অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবীরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৫, ২৬, ২৭ ফগনি।

শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বী **শ্রীমতী সনসম ˇ বিনারানী দেবী**- না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৫।০৮।২০১৭ ইং, লাংবনগী ৪নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী বিনাবানী শ্রী কৃষ্ণ চরন দাসী হায়বা নাম ফংজরগা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১২৯।০৮।২০১৭ ইং লাংবনগী ৭ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ০৭।০৯।২০১৭ ইং, লাংবনগী ১৬ নি পানবা, শগোলশেন নুমিত্তা চিরা উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীহরি নাম সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্ছগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্কবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

থৌরম পরেংঃ
অয়ুক পুং ৯ ঃ সঙ্কীর্ত্তন হৌবা
অয়ুক পুং ১১ ঃ প্রসাদি ফংবা

পাউজেঞ্জরিবশিং
থিংবাইজম ওংবী বীন্দাশখী দেবী (মনাওনুপী)
কোঞ্জেংবম ওংবী বীন্দাতোম্বী দেবী (মনাওনুপী)
সনসম মনিমালা দেবী (মনাওনুপী)
সাগপ্পম রুহিত কুমার সিংহ (মৌপ্পা)
খ্বাই ব্রহ্মপুর লৈকাই, চক্রিকোম, ইম্ফাল

SL/Bill/01

[illegible]
Dr. HELENA EYE CARE
ALWAYS BEST
ADDRESS : NORTH AOC, BIG CHILL BUILDING
IMPHAL, MANIPUR
CALL : 0385-2421792 / 9774065535.
Email : dochelena11@yahoo.com

SL/B/August'17

[illegible]
চাকওাই ৱারী-৬
হঙোইগী লৌশিং
[illegible]
অইবা অমসুং অয়েকপা
লোং পান
[illegible]


শামুদু পাখৎতুনা মফম মরাং খঙদ্রে, শামুনা চেনবদু হাঙোই অমখক্লা উরম্মী।
[illegible]
শামুনা চেনবদু উরগা কৌরক্লম্মী
[illegible]
হায়, শামু মুজাওবা নংনা কন্না চেল্লিদুবো কৈদৌরে।
[illegible]
হিস! কনানোগে?
[illegible]